www.sanaleibak.in

# SANALEIBAK সনাৌলেবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে




কাঞ্চিপুরদা লৈবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয় (এস বি আই)মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা ব্রাঞ্চ অসিদা 'য়োনো কেস'কী খুদোংচাবা ফঙহনবা হৌদোকপা থৌরমগী শক্তম অমা



সিক্কিমগী রানীপুলগী মফম অমদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবা প্রো অঙোম ইঙোচা মীশিগী অচুম্বা লংলা–লংজিন পুথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ফৈয়েংদা ফমখিবা ৱাকৎ মীফম



চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পার্বুঙ এরিয়াদগী অসাম রাইফলসকী কাঙবু অমনা ফারবা মার পীপলস কনভেন্সন (ঐচ পি সি–দিমোক্রেসি)গী কেদর তরেৎতগী ফাগৎলকখিবা য়াম্লবা খূৎশু–খূৎলাইশিং


Volume No: 43 Issue: 108 | IMPHAL SATURDAY 16 MARCH, 2019 | থাংজ, লমতাগী ১০ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60


## ৱাখলগী চিঙ্গাক

পৈশানা নহাক্কী পূন্সিবু চল্লাইহনগনু পৈশানা নহাক্কী হেন্না ফবা পূন্সি অমা চল্লাইবদা মতেং ওইহল্লু

## GOLD PRICE 10G/24K

DELHI : RUPEES 33,380.00 /-
KOLKATA: RUPEES 33,280.00 /-
BENGALURU: RUPEES 33,350.00 /-

## অঙৌং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৮.৩° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ১২.৪° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০০
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং– ৫.২৩
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৫.২৩

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৮.৮৩
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬৩.১৯


SAMSUNG লুহোং–মচল
WATER PURIFIER EUREKA FORBES
SAMSUNG 40' LED, SAMSUNG REFRIG 3 STAR 190 LT., SAMSUNG 7.2/6.5 KG WASHER ₹ 51,999/-
FREE ₹ 4999
SAMSUNG 43' LED, SAMSUNG REFRIG 3 STAR 190 LT., SAMSUNG 7.2/6.5 KG WASHER ₹ 53,999/-
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP. CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTTL. SARAJEEVAN ENT. PAONA BZ. IMP.



SAMSUNG লুহোং–মচল
WATER PURIFIER EUREKA FORBES
SAMSUNG 40' LED, SAMSUNG REFRIG 3 STAR 190 LT., SAMSUNG 7.2/6.5 KG WASHER ₹ 51,999/-
FREE ₹ 4999
SAMSUNG 43' LED, SAMSUNG REFRIG 3 STAR 190 LT., SAMSUNG 7.2/6.5 KG WASHER ₹ 53,999/-
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP. CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTTL. SARAJEEVAN ENT. PAONA BZ. IMP.


গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

## লোইরেদনা

ঐখোয়সে ফেষ্টিভেল মতমদতা নীংশিংবীবতা ঙাইরেকো!



ঐ ইশানা শিদ্রিঙৈদা পোনি ফেষ্টিভেল ফাওদি তৌহল্লম্বা ঙন্ত্রা য়েংবা তারে!

## হেক্তা হায়জিনবা

### ৱাশক থা

য়ৌরক্লে য়ৌরক্লে ৱাশক থা
ওইরোইদৌবা হায়জিন থা
য়ৌরক্লে য়ৌরক্লে ৱাশক থা
লম্বী শেমগনি হায়জিন থা
ঈশিং পীনি হায়জিন থা
য়ূম শাবীনি হায়জিন থা
লোন কোকপীনি হায়জিন থা
য়ৌরক্লে য়ৌরক্লে ৱাশক থা
ওইরোইদৌবা হায়জিন থা
য়েলহৌমী কননি হায়জিন থা
শক্তম ঙাক্কনি হায়জিন থা
ঙমখৈ ঙাক্কনি হায়জিন থা
সি এ বি চৎনহল্লোই হায়জিন থা
য়ৌরক্লে য়ৌরক্লে ৱাশক থা
ওইরোইদৌবা হায়জিন থা
মীয়াম নুংশিবা শাজিন্নবা থা
কপশিন লাউশিন্নবা থা
খুরুম খাজিন্নবা থা
ইকাই ইকি খঙদবা থা
য়ৌরক্লে য়ৌরক্লে ৱাশক থা
ওইরোইদৌবা হায়জিন থা

# বি জে পিগী মীরেপ কনা–কনানা ওইগদগে হায়বা ঙসি খঙলবা য়াই

## ইন্নরদা মীরেপ ওইবা য়াবা মীওই ৫গী মমিং সি এমনা পুখ্রে



ডা কে ঐচ লোকেন



ডা আর কে রঞ্জন



ডা নিমাইচান্দ লুৱাং



রাধাবিনোদ কোইজম



থৌনাওজম বসন্তা

ইম্ফাল,মার্চ ১৫ (এস এন এস)ঃ

তরাতরেৎ শুবা লোক সভাগী মীখলদা মণিপুরগী ইন্নর অমসুং আউটর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী ওইনা কনা–কনানা মীরেপ ওইগদগে হায়বা হয়েংদি তাংদাংবা অমা খঙলবা য়াই।

ইন্নর অমসুং আউটর কন্সটিটুয়েন্সিদা মীরেপ কনা–কনানা ওইহনগদগে হায়বগী মতাংদা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদা চীফ মিনিষ্টরগী রেসিদেন্সতা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিটিগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মীরেপ ওইবা য়াবা মীওই ৫ /৫ মমিং লেপথোক্লনবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অমসুং পার্টিগী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দদা শীন্নখ্রে হায়রি।

মীফম অদুদা শরুক য়ারুবা পার্টিগী সেনিয়র মেম্বর অমনা পাউ–চে অসিদা হায়, ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিটিগী মীফম অদুদা বি জে পিগী ওইনা মীরেপ ওইননবা থারকপশিংগী মরমদা য়াম্না কুপ্না খন্নখি। হৌনবী মতুং ইন্না ইন্নরদা মীওই মঙা অমসুং আউটরদা মীওই মঙাগী মমিং শেম্লগা ঙসি নুমিদাং অথেংবদা নৎত্রগা হয়েং অয়ুক পাঙথোক্কদৌরিবা বি জে পি পার্লিয়ামেন্টরি বোর্ডকী মীফমদা পুথোক্লনবগী থৌদাং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং মণিপুর প্রদেশ বি জে পিগী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দদা শীন্নখি।

ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিটিদা পার্টিগী মরুওইবা ১৪ য়াওই। মখোয় অদুদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন,পার্টিগী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দ,বি জে পিগী ওইনা লৈঙাক অসিদা মিনিষ্টর ওইরিবা মখোয় ৫,বি জে পিগী লুচিংবা টি ঐচ চাওবা,জেনরেল সেক্রেটরী নিম্বস,জেনরেল সেক্রেটরী সৈত্যবর্ত্ত, এম এল এ সম্যুল জেন্দাই,ভাইস প্রসিদেন্ট এস প্রেমানন্দ শর্ম্মা,মহিলা মোর্চাগী প্রসিদেন্টনচিংবনি।

পার্টিগী ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিটিনা মীওই ৫ / ৫ লিষ্ট শেম্বগী মতিক–ময়াই শীন্নখ্রবা মতুং ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা চীফ মিনিষ্টর অমসুং পার্টিগী প্রসিদেন্ট ন্যু দেল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়,ঙসি নুমিদাংৱাইরম ন্যু দেল্লিদা থুংখ্রবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং মণিপুর প্রদেশ বি জে পিগী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দ য়াওনা ঙসি নুমিদাং পুং ১০ রোম তারকপদা ন্যু দেল্লিগী বিন্দাল মার্কতা লৈবা বি জে পিগী হেদ ওফিস্তা পাঙথোক্কদবা সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিটিগী মীফমদা শরুক য়াগনি। কম্মিটি অসিদা মণিপুরদগী মীরেপ ওইবা য়ারে হায়না চীফ মিনিষ্টর অমসুং পার্টিগী ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্টনা পুখৎলকপা *মখা লমায় ৩দা...*

# এন পি পিগী লুচিংবা থাংমিলিয়ন কিপগেন আউটরদা মীরেপ ওইরগনি

ইন্নর কন্সটিটুয়েন্সিদা নেসনেল পীপলস পার্টিনা বি জে পিগী মীরেপ শৌগৎলবা য়ানা লৈরে।



ইম্ফাল,মার্চ ১৫ (এস এন এস)ঃ

নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা অচৌবা থৌদাং য়ারিবা নেসনেল পীপলস পার্টি (এন পি পি) ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা মীরেপ থাদোক্লগসু আউটরদদি বি জে পিগা লম্বা তৌননবা মীরেপ থাদোরক্লে।

এন পি পি সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিটিনা পার্টি অসিগী কন্সটিটুসনগী আর্টিকল ১৩গী মতুং ইন্না ১৭শুবা লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইগদবা মীওই অনীগী মমিং ঙসি লাউথোকখ্রে। মখোয় অনী অদুদি মণিপুরগী ওইনা আউটর মণিপুর (এস সি) কন্সটিটুয়েন্সিদা এন পি পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা থাংমিলিয়ন কিপগেন অমসুং মেঘলয়া–২ তুরা কন্সটিটুয়েন্সিদা এক্স–এম পি অগাঠা কে সংমানি।

মণিপুরগী আউটরদা মীরেপ ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রবা থাংমিলিয়ন কিপগেন কাঙপোকপী এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদা মরিরক হন্না এম এল এ ওইরম্লবনি। কুমজা ১৯৯৫দা মহাক মণিপুর পীপলস পার্টি (এম পি পি)গী ওইনা এম এল এ কারকখি। কুমজা ২০০০ এন সি পি,কুমজা ২০০২দা ফেদরেল পার্টি ওফ মণিপুর অমসুং কুমজা ২০০৭তা এন পি পি ওইনা মায় পাকখি হায়রি। মহাক কুমজা ২০১৬কী এপ্রিল ২০দা এন পি পি ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফঙবা পাউনা হায়,হন্দক্তা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী রিজনেল পার্টিশিংগী ওইবা মীফম অমা গুৱাহাটিদা পাঙথোকপদা এন পি পিগী আউটরদা মীরেপ থাদোক্কনি হায়না য়ান্নখিবা লৈখি। অদুমকপু ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদদি বি জে পিনা পুথোকপা মীরেপ্তা এন পি পিনা শৌগৎকনি হায়না ময়েক শেংনা থমখিবা লৈখ্রে।

পনবা য়াবদি, এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক্তা এন পি পিগী মেম্বর ৪ শরুক য়ারি। মখোয় মরিরক লৈঙাক অসিদা কেবিনেট মিনিষ্টর ওইরি। পার্টি অসিগী লুচিংবা য়ুম্নাম জয়কুমার লৈঙাক অসিদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী ফম পায়রি।

পনবা য়াবদি,ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা রিজনেল পোলিটিকেল পার্টিশিং হায়বদি,অসোম গন পরিষদ (এ জি পি),বোদোলেন্দ পীপলস ফ্রন্ট (বি পি এফ),নেসনেল পীপলস পার্টি (এন পি পি),ইন্দিজিনিয়ন পীপলস ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (আই পি এফ টি),নেসনেলিষ্ট দিমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্ট (আই দি পি পি) অমদি সিকিম ক্রান্টিকারি মোর্চা (এস কে এম) গা খূৎশম্নরগা অৱাং নোংপোক লমদমদা কোংগ্রেসকী মায়োক্তা মীখল থেংনরগনি হায়না বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরী রাম মাধবনা হন্দক্তা লাউথোকখিবা *মখা লমায় ৩দা...*

# কোংগ্রেসকী টিকেৎ নবকিশ্বর নৎত্রগা মনাওবীনা ফঙলবা য়াই



ও নবকিশ্বর



এস মনাওবী

ইম্ফাল,মার্চ ১৫ (এস এন এস)ঃ

আই এন সি গী টিকেৎতা আউটর অমসুং ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা আই এন সিগী মীরেপ ওইগদবশিং খঙ–দোক্লনবা ঙসি নুমিদাং অথেংবদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা চিয়ারমেন ওইবা সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিটিদা পুথোক্তুনা খন্নখ্রে হায়রি। ইন্নরগী ওইনা হান্নগী চীফ সেক্রেটরী ও নবকিশ্বর নৎত্রগা রিটয়ার্দ আই পি এস,এস মনাওবীনা ফঙলবা য়াই হায়রি।

# নাগালেন্দদা কোংগ্রেসকা এন পি এফকা চুংশিন্নরগা লোক সভা মীখল থেংনরবা য়াই

দিমাপুর,মার্চ ১৫ (এজেন্সি)ঃ

নাগালেন্দদা নৈফ্যু রিওনা লুচিংবা নেস্নেলিষ্ট দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি (এন দি পি পি) অমসুং ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী চুংশিন্নবা লৈঙাক্লা পুথোকগদৌরিবা মীরেপ মায়থিবা পীননবগীদমক কোংগ্রেসকা নাগা পীপলস ফ্রন্টকা চুংশিন্নরগা লোক সভা মীখল থেংনরবা য়াই।

এন দি পি পি অমসুং বি জে পিগী চুংশিন্নবা পীপলস দেমোক্রেটিক এল্লাইন্স গভর্ণমেন্টকী মীরেপ ওইগদৌরিবা তোখেহো য়েপথোমি মায়থিবা পীননবগীদমক ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসকা এন পি এফকা চুংশিন্ননবা ৱারী শান্নবগী থাক খুমাঙ চাউশিল্লক্লে। শুপ্নতগী য়ান্নবা পুরক্লে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা কনানা পীরেপ ওইগদগে হায়বা লেপথোক্লগদবা খক্তা ঙাইরে। থৌরাং অসি কোংগ্রেস লুচিংবা এস সি জামিরনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা হোৎনরি। করিগুম্বা ফিভম অসিনা মায় পাকপা তারগদি নাগালেন্দদা কোংগ্রেসকী মীরেপ থাদোক্তনা এন পি এফতা ওইনা শৌগৎলবা য়ানা লৈ।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়,লোক সভা মীখল অসিগী য়েংলগা হান্না পার্টিদগী লাপথোক্ল লৈরুরবা নাগালেন্দ পি সি সিগী প্রসিদেন্ট এস আই জামির, হান্নগী মিনিষ্টর নিলো রেংমা,হান্নগী স্পিকর জেদ লোহে,হান্নগী দেপ্যুটি স্পিকর জোসুৱা সুমির, হান্নগী কোংগ্রেস এম এল এ দাখো ফোম অমসুং সুপোং মেরেন অমসুং নাগালেন্দগী পি সি সিগী হান্নগী সেক্রেটরী বাক্রুমু দেমোনচিংবা কয়াসু কোংগ্রেসতা হল্লকখ্রে।

মখোয়না কোংগ্রেসতা নৌনা চঙলকপদা নাগালেন্দ পি সি সিগী প্রসিদেন্ট কে থেরৈনো তরাম্না ওকখ্রে অমসুং পার্টি অসি নাগালেন্দদা মপাঙ্গল কনবা পোলিটিকেল পার্টি অমা অথুবদা ওইরক্লগনি *মখা লমায় ৩দা...*

# ন্যু জিলেন্দ মোস্ক্যু এটেকতা মীওই ৪৯ শিরে,২০না শোক্লে



খৃষ্টচর্চ,মার্চ ১৫ (এজেন্সি)ঃ

ন্যু জিলেন্দগী খৃষ্টচর্চতা লৈবা মোস্ক্যু অনীদা মতম ইকান–কান্নদনা ইন্দিয়াগী পুংফমদা ঙসি অয়ুক চংখিবা টেরোরিষ্ট এটেকতা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৯ শিরে অমসুং ২০ হেন্না শোক্লে।

এটেক অদুগী মতাংদা ফঙবা পাউনা হায়,অলনুর মোস্কল্যদা চংখিবা টেরোরিষ্ট এটেক অদুদা মীওই ৪১ শিখি অদুগা লিনৱুদ মোস্ক্যুদা চংখিবা এটেক অদুদনা মীওই ৮ শিখি। থৌদোক অনীমক্তা মীওই ১০/১০ শোকখি।

নোংমৈ পায়বা মীওই অমনা অল–নুর মোস্ক্যু মনুংদা চঙশিল্লক্লগা অনকপা মফম অমদগী নুপা,নুপী অমসুং অঙাং শিংদা ওনশিল্লক্লগা নোংমৈ কাপশিনবা উখি। মীওই অদুনা নোংমৈ কাপ্তুনা মী হাৎপগী ভিদিও ফুঠটেজশিং কনাগুম্বা অমনা ফেসবুক্তা থাগৎলকখি। অদুবু অদুগুম্বা মখলগী ভিদিও ফুঠটেজ অদু পুলিসনা থাগৎলক্তনবা খঙহল্লকপদগী কায়নথংদা লৌথোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর জসিন্দ অরদ্রেননা ঙসিগী থৌদোক অদু টেরোরিষ্ট এটেকনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ন্যু জিলেন্দগী ওইনা অমম্বা নুমিৎনি হায়খ্রে।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়,নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চংখরকখিবা তানফম অদুদা হৌজিক–হৌজিক ন্যু জিলেন্দগী টুরদা লৈরিবা বাংলাদেশ ক্রিকেট টিমগী মীওইশিংসু হেগ্লি পার্ক মোস্ক্যুদা লৈ। ক্রিকেটর তামিম ইকবাল খাননা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মখোয় পুম্নমক ঙসিগী থৌদোক অদুদা খুদোং থিবা অমত্তা য়াওদনা নাম্থোকহৌরে।

মোস্ক্যু এটেক অদুগী তুংদা পুলিসনা চিংনবনি হায়বা মীওই মরি ফারগা কষ্টদিদা থমখ্রে। মখোয় মরি অদুগী মনুংদা অমনা নুপীনি অদুগা অহুম্না নুপানি। মখোয় মরি থৌদোক অদুদা চেন্নৱা হায়বা য়াম্না কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না ন্যু জিলেন্দ পুলিসকী মকোক থোংবা লুচিংবা মাইক ভুসনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা তুংদা পুলিসনা মীয়ামদা মতম খরা স্কুলদা চৎতনবা অমসুং হোস্পিটালশিংদা চঙদনবা খঙহনখি। মীৎনা উহৌবা খরানা *মখা লমায় ৩দা...*

# গাইখাঙম, টি পানমৈ অমদি রিতা পানমৈগী ইন্টরিম বেল মার্চ ৩০ ফাওবা শাংদোকখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ১৫ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজনা ঙসি হান্না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা এম এল এ গাইখাঙ,কম্মিস্নার সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি থাংথুইলুং পানমৈ অমদি মহাক্কী নুপী রিতা পানমৈগী ইন্টরিম বেল মার্চ ৩০ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এদিসনেল এডভোকেট জেনরেলনা কেস অসি পায়জরগে হায়জরকপদগী ইন্টরিম বেল অসি শাংদোকখিবনি।

ষ্টেট ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্টনা স্পিসিয়েল ফন্দগী মখাদা ২০১০দা ট্রাইবেল বোইজ হোষ্টেল অমা দ্যুলালেনদগী কবো লৈকাইদা শান্নবা ফন্দ লান্না শীজিন্নখি হায়বগী মরালদা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী মখাদা এফ আই আর অমা রেজিষ্টার তৌরবা মতুংদা কোর্ট অসিনা এম এল এ গাইখাঙম, থাংথুইলুং পানমৈ অমদি রিতা পানমৈদা ফেব্রুৱারি ১৫ ফাওবা ইন্টরিম বেল পীদুনা লাকখিবনি।

ভিজিলেন্সকী এফ আই আর অদুগী মতুং ইন্না কবো লৈকাইদা স্পিসিয়েল দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা ২০১০দা ট্রাইবেল বোইজ হোষ্টেল অমা শানবা লুপা ৯৯,৫০,০০০ ওক্টোবর ২১,২০১০দা ওর্দর থোক্তুনা কাইথোকখিবনি। অদুবু শাগদবা বোইজ হোষ্টেল অদুদি শাখিদবনি।

অদুবু কাইথোকখ্রবা শেনফম অদুদগী লুপা ৪৪,৩০,৪০০দি সেন্ট এন্থোনি ইডুকেস্নেল সোসাইটি,পাউমৈ কোলোনি চীংমৈরোংগী সেক্রেটরী ওইবা রিতা পানমৈদা এপ্রিল ১৯,২০১৭তা খূৎশিন্নখি। মতম অদুগী কম্মিস্নার (ট্রাইবেল এফিয়ার্স অমদি হীল) ওইবা থাংথুইলুং পানমৈগী নুপী রিতা পানমৈনা মতম অদুগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমগা চুংশিন্নরগা সোসাইটি অসিগী হান্না লৈরবা হোষ্টেল অমগী অহুমশুবা মথোল শাহনখি।

মখোয় অহুমবু মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা *মখা লমায় ৩দা...*

# ঐচ পি সিগী মেম্বর ৭ য়াম্লবা খূৎলাইশিংগা লোয়ননা ফারে

ইম্ফাল,মার্চ ১৫ (এস এন এস)ঃ

চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পার্বুঙ এরিয়াদা অসাম রাইফলসকী কাঙবু অমনা মার পীপলস কনভেন্সন (ঐচ পি সি–দিমোক্রেসি)গী কেদর তরেৎ য়াম্লবা খূৎশু–খূৎলাইশিংগা লোয়ননা ফারে।

৩৩শুবা এ আরগী কর্ণেল মনোজ শর্ম্মগী লিচিং মখাদা চংখিবা ওপরেসন অদুদা ফারবা মখোয় তরেৎ অদুদি ইশাক মালশুৱাম্থান(৩৪),লালশ্বঙম (২৭),রামদিনঙেৎ (২২),মেরি জোন(৩৮),ঙাংবম গোপিকিষন (২৩),রোহেন (২৮),লালঙাজোন (২৩)নি। মখোয়দগী ফাগৎলবা খূৎলাইশিং অদুদি এম–৪গী রাইফল ১, মেগজিন ২,একে–৫৬ রাইফল ৪,মেগজিন ১২,একেগী নোংমৈ মরু ২৬২,এম–৪গী এমুনেসন ১১০,আর এস কেনৱুদ ৩,কোম্ব পাউস ৩,কোম্বে দ্রেস ৩,মোবাইল ফোন ৫,বোলেরো অমসুং টাটা দি আই ১, পেন্সিল বেটরি ২০নি। ফাগৎলবা কেদরশিং অদুগা লোয়ননা খূৎশু–খূৎলাইশিং অদু ঙসি নুমিদাংৱাইরম চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনদা লোগী ওইবা থবক লৌখৎননবা শীন্নখ্রে হায়রি। কেদরশিং অদুনা গাড়ী অনীদা তোংলগা লাকপদা এ আরগী পার্সোনেলশিংনা ওভর পৱার তৌরগা ফাবনি হায়রি।

# ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী লান্মীনা জোইন্ট ওপরেসন চখ্খ্রে

ন্যু দেল্লি,মার্চ ১৫ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়া ইয়ার ফোর্সনা পাকিষ্টানগী বালাকোটতা ইয়ার ষ্ট্রাইক চখখিবগী পাউনা ৱা–ৱা লাউনরিঙৈ চৈরক্তা ইন্দিয়াগী আর্মিনা ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মারগী ঙমখৈদা লালহৌবগী ঈরাংনা কিহনবা কোকহন্নবা ম্যান্মার আর্মিগা খূৎশম্নরগা জোইন্ট ওপরেসন চখ্খ্রে। পাউ অসিগী মতুং ইন্না জোইন্ট ওপরেসন অসিগী শেম–শাবা থা অনীগী মমাঙদগী হৌরকখিবনি হায়রি।



জোইন্ট ওপরেসন অদু অৱাং নোংপোক্কীদমক য়াম্না মরুওইবা মেগা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট অমা থুগায়নবা হোৎনরকপা ঙমহন্দনবা ফেব্রুৱারি ১৭তগী মার্চ ২ ফাওবগী মরক্তা চখখিবনি। ম্যান্মারদা বেজ তৌবা অরাকান আর্মিনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট অদুদা কিহলকখিবনি।

লৈবাক অনী অসিগী আর্মিশিংনা তুমিন্না চখখিবা জোইন্ট ওপরেসন অদু ম্যান্মারনা বেন তৌখ্রবা কাচিন ইন্দিপেন্দেন্ট আর্মিগা খূৎশম্নবা অৱাদান আর্মি মুখৎনবা চখখিবনি।

জোইন্ট ওপরেসন অদু অরাকান আর্মিনা মেগা কালাদান প্রোজেক্টতা কিহল্লকপা অদু ফজনা খন্নরবা মতুংদা চখখিবনি। কালাদান প্রোজেক্ট অসি কোলকাটাগা ম্যান্মারগী সিটৱে পোর্টকা শম্নহনগদবা ট্রান্সিট প্রোজেক্টনি। মিজোরামগা শম্নহনগদৌবা প্রোজেক্ট অসিনা অৱাং নোংপোক্কী অনৌবা গেট ৱে অমা ওইরগদৌরিবনি। প্রোজেক্ট অসিনা কোলকটাগা মিজোরামগা অনীগী মরক্তা চখোক–চৎশিনগী মতম অসি য়াম্না হন্থহনগদৌরিবনি।

ইন্টেলিজেন্টকী পাউদা য়ুম্পম ওইরগা ইন্দিয়া আর্মিনা মিজোরামগী খারোমদা ম্যান্মার মনুংদা লিংবা লালহৌবগী বেজ অমা থুগায়খি। মসিগী মতুংদা ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মার আর্মিনা *মখা লমায় ৩দা...*


## STAFF WANTED

Applications are invited from the willing candidates for the following post.

DETAILS OF POST :

| Post | Qualification | M/F | Exp. | Age | No.of Post | Scale of Pay |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. Accountant | B.com/M.com | M/F | 3-5yrs | 30&above | 1 | Negotiable |
| 2. Collector | XII | M | - | 30&above | 4 | Negotiable |
| 3. Receiption | XII | F | - | 30&above | 2 | Negotiable |
| 4. Caretaker | VIII | M | - | 40&above | 1 | 9000 + Incentive |
| 5. Security | VIII | M | - | 30&above | 2 | 6000 + Incentive |
| 6. Driver | VIII | M | 3-5yrs | 30&above | 10 | 9000 + Incentive |

Imphal Finance Co-op. Thrift & Credit Society Ltd.
H.O.Loklaobung,B.O.M.G. Avenue,Paona Bazar & Bishnupur Bazar.
Note: Last date of form submission is 20/03/2019
SL / PAC.